# মৈতৈগী লৈশেম্লোন ৱারীদা নোংথাংলৈমা লাইরেম্বীগী মফম

- ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*মৈতৈগী* লাইনীং লাইচত্তা লাইরেম্বী কয়ানা মফম চাউনা কন্দুনা লৈরি। খুদম ওইনা হায়রবদা মৈতৈগী য়ূমথোঙ খুদীংমক্তা ইমা লৈমরেন শিদবী অমদি ইমোইনু অহোঙ অচাউবীনা লেঙশিনবীদুনা য়াইফ নুংঙাই নোংদম্বীরি হায়বসি পূন্নমক্না য়ানরবা ৱাফম্নি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা ইমুং মনুংগী ওইবা লাই-তীন খুরুম্বগী থৌরমদা ইমা লৈমরেনগী মফমদা হান্না খুরুমজৈ। মদুদসু নত্তনা নুংতি নুমীৎ খুদীংগী ইমা লৈমরেন শিদবী অমদি ইমোইনু ইমাগী মতীক অরুবা মঙন অৱাংববু খঙনা খুরুমজরিবা ইমুংদু অৱা অনা খুদোংথীবা কয়াদগী কনবা ঙমজৈ হায়না লাইনীং লাইচৎকা মরী লৈননবা লাইশোন তীনশোন অমদি ৱারী লাইরিক কয়াদা ময়েক শেংনা পল্লি। মৈতৈশিংনা লাৎনরিবা লাইরেম্বীশিংগী মনুংদা নোংথাংলৈমা লাইরেম্বীগী মতাংদা নৈনা ৱারোল খরা থমজরি।

মৈতৈগী লৈশেম্লোনগা মরী লৈনবা মিথকা নোংথাংলৈমগা শাগোন্নদুনা লৈরি। নোংথাংলৈমগী লাইচৎ খোঙলুপ্তি লাইরেম্বী ৩৪নি হায়না অখঙ অহৈশিংনা থম্বীরম্মী। লাইরেম্বীশিং অদুদি পান্থোইবী, তামথোং লৈমা, লেমথোং লৈমা, লমদেং লৈমা, হৈনৌপোক লৈমা, চংনিং লৈমা, নুংগোইবী লৈমা, কোলোই লৈমা, য়ূমলৈমা, থালৈমা, ফৌওইবী, ৱাতালৈমা, সিলহৈবী, কোল্লৈমা, খাইবা নিংথৌ চনু, মোইনু চনু, পিথেৎ লৈমা, লাইপান লৈমা, লাইসলথবী, খাবী লুকোক চনু, লিক্লা পিচা য়াইবী লৈমা, থোংঙাক লৈমা, পিথ্রাইবী খোংত্রাইবীনচিংবনি। লৈথক লৈখারোল, সনামহী লাইকন, সনামহী লাইহুইনচিংবা লাইরিকশিংদা ইরিবগী মতুং ইন্না মালেম লৈশেম্বদা য়ৈখাই থিনগাই থোক্লকপা কয়াবু ঙাকথোক্তুনা মালেম লৈশেম্বগী থবক মপূং ফাহনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবী লাইরেম্বী অমনি।

খোয়ুম লাইয়িংথৌ গুরু শিদবনা মপারী অতিয়া শিদবদা মালেম লৈশেম্নু হায়না য়াথং পীরম্মী। অতিয়া শিদবনা অশিবগা তান্নদুনা গুরুগী য়াথং অদু পাঙথোক্লবগীদমক মালেম লৈশেম্বা হৌরকপদা নুংশিৎকী শক্লোন লৌদুনা হারাবনা চাইখাইরম্মী। অতিয়া শিদবা অমসুং অশিবা মখোয় অনী তান্নদুনা ঈশিং মথক্তা তাউরিবা লৈবাকশিং অদু খোমজিন্দুনা শেম্বা হৌরম্মী। অশিবগী খুয়াদগী নূরা তকথোক্তুনা ঙাপ্রুম পুথোক্লম্মী। অতিয়া শিদবনা ঙাপ্রুমদুদা তোংলগা গুরুগী মনাক্তা চৎলম্মী। মহাক্না লাকপগী মরম অদু গুরুনা হংলবদা হারাবনা লৈবাক শেম্বদা য়ৈখাই থিনগাইবা পীদুনা থবক মহয় য়ালহন্দবগী থৌওং অদুবু ময়েক শেংনা পাউদম্লম্মী। মদু তাবদা গুরুনা লৈবাক পীরক্তুনা য়ুহা, য়ুচেং, থাৱা, চেংঙা মখোয় মরিনা মায়কৈ খুদীংমক্তা ঙাক্লগা অমুক হন্না মালেম লৈশেম্বগী থবক মখা চথরম্মী। থবক অদুদা মখোয় অনীগী মতেং পাংননবগীদমক লাই মরি হায়বদি লৈখোমতাও, নোংখোমতাও, লৈশাতাও অমদি নোংশাতাও পুথোকখি। অদুবু হারাবনা লৈবাক অদু অমুকসু চাইখাইরম্মী।

অতিয়া শিদবগী খুয়াদগী তকথোক্লগা পুথোকপা কোবী অদু গুরুগী মফমদা থাদুনা লৈবাক নিহল্লবগা লোয়ননা লাইশোন তাকপীরক্লবা হায়জহল্লুরম্মী। গুরুনা কোবীদা তাক্লকপা অরুবা লাইশোন অদু শোন্দুনা পীরকখিবা লৈবাক অদু হাপ্লগা শেম্লিঙৈদা হারাবনা থুগাইনবা হোৎনবদু গুরুনা উরম্মী। হারাবনা চথরিবা য়ৈখাই থিনগাইবগী থবক অদু খামজিন্নবগীদমক গুরুগী খুৎনাওবীদগী নোংথাংলৈমা পুথোক্লগা হারাববু খামজিন্নবা য়াথং পীরম্মী। মতাং অসিবু লৈথক লৈখারোলদা অসুম্না শৈথারি, "হে খোয়নৌ-ও, অতিয়া শিদবা কৌবনা মালেম লৈবাক শেম্ববু হারাবা কৌবা নঙনা উরিবা অদুনা হন্না হন্না মহৌ মহৌ থুগাই চাইখাইরে মহাকপু, নহাক্না অমুক্তা খামহল্লগে হায়বগীদমক মৈরাগী মশককুমনা নঙবু থাংথোকপনে হায়না হায়বীরবদা খোয়নৌ নোংথাং লৈমা কৌবী মৈরি মৈরাগী মশক শক্তমগুম্না ফিশেৎ ওইনদুনা গুরুদ্দী চোংথোকখিয়ে। অতিংঙা তরংগী মথক্তা তকুপ তকুপ তরেং তরেং ঙান্না শননা লৈরে।"

নোংথাং লৈমগা মীৎচানরুবদা হারাবগী পূক্নীং শুমহৎখ্রে। ঈশিং ঈপাকথক্তা মৈরাগী মশক্কুম্না লৈরিবা মহাক্না খোয়দাজরবী চেংলৌ হেনবী নঙবু কনানো হায়না হারাবনা নোংথাং লৈমদা হংলম্মী। নোংথাং লৈমনসু মতীক চাবা পাউখুম পীদুনা মখোয় আনী পাউশানরম্মী। পাউশানবগী মতাং অমা সনামহী লাইকলদগী লৌখৎচরি,

হারাবা- হে নুজা চেংলৌ শককোই হেনবী ! লাইজা তরং ঈপাকথক অসিদা, কোংগোল লাইজা ঈফুৎ ফাওগুম, ফোং ফোং ফাউনা, তমপা মীৎপু য়েংফদবী নঙবু কনানো ? পায়মা ঐগী লিনচুবী, তিলাং খোয়দাবীবু ওইরে। পনথৌ নপা কনানা পোকপা, পলেম করম্বনা শাৎপনো ? কোলোই নমিংথোংসু করি কৌবনো ?

নোংথাং লৈমা- নুজা ঐবু পূক্নীং ফৈনা মুননা চীনকোয় পাউশানরবা নঙবু কনানো ? কোলোয় নঙগী নমিংথোংদুম করি কৌবনো ? য়োইবু ঐদি পনথৌ পানাইদা, পলেম পীনাইদা, কোলোয় মিংনাইদবী কৌবদি ঐনে। চীনকোয় করি পাউমেললবনো ?

লৈথক লৈখারোলদা পীরিবা পাউশা অমুক থমজরি,

হারাবা- অহাংবা তরঙগী মথক্তা মৈরাগী মশক্কুম্না লৈরারিবী নঙবু পাইমা ঐগী মিৎচুয়ে থমমোই পূক্নীং খোইদাবা ওইরেদো।

পেম্মা চনুরা নিংঙোল ওইবী নহাকপু কনানো ?

নোংথাং লৈমা- হোইদা, হে নহাবা অপিশা লৈকু মরুম খোইচোপ্পা। লৈরাই মরুম খোইহাইবা, লৈতূম হুলনা পাউশাবা। ইপল পুললাং কায়গনে-দা, পুললাং লুরোই কায়ববু। শিংবীরোইবু হায়না হায়বরা ? ইপলনবু করি হায়গনে।

হারাবা- শিংলমগে শিংলমগে শিংলমগে পেম্মা নঙবু হুল্লান্দে। লৈবাক শঙদা লৈবী কোরৌ ফালদা ফম্বী-দা, মনম নোংশা য়াইবী-দা চোমলাং লৈরাং তোইশিবিদা হুলপনে। হে পেম্মা নিংথিবী-ও, খিং খিং লৌজসে, পানা লৌজসে, হে পেম্মা-ও।

নোংথাং লৈমা- হে ইপুংঙু নহা, অপিশা ওইবা-ও। য়াওরৌদগী শঙাইনা, মচি কেকুরু থোক্তারি। ললহাম পুঙগী কাকফৈনা মনা হুমাই শাদারি। তোকফমদগী ঙমুনা, খোইচু তোলোঙ চীলদরি। কোংবদগী ঙাখানা, পোনলাং কানাক নাক্তরি, সুক্না মহৈ য়ান্দরি, য়াংকোক্না মাপাল শাদরি, নোংমৈ চহী মথংদা লৌজখি-ও।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফম অমনা চথরক্লিবা ৱারী পরিং অমদি পাউশানবগী মরোলশিং অসি লাইরিক অমগা লাইরিক অমগা খেন্নবা লৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা সনামহী লাইকনগী পাউশানবগী মরোনবগী মরোনগা লৈথক লৈখারোলদা য়াওরিবগা খেন্নে। ৱারীগী পরিংলোমদা য়েংলবসু অহানবগীসিদা পীরম্বগী মতুং ইন্না ঙাইহাক পাউশানরম্লগা নোংথাংলৈমদি ঈশিং মনুংদা কোঙ্গোলনা মৃৎখিবগুম মাঙখি। শাউবনা মৈ হৌরবা হারাবনা মমায় ঙাংবমখৈ কন্থী হৌনা লৈবাকশিংদু থুগাইরম্মী। গুরুগী লৱাই লেম্ফুদগী তম্ফা অৱাংবী পুথোক্তুনা হারাবগা পাউশানরিঙৈদা ঈশিংগী মথক্তা মপূং মওং ফানা লৈবাক শেম্লবা মতুংদা লাই পাখং তরেৎ অমসুং লাইনুরা নীপান্না হরাউ মথোই কানা জগোয় শাখি। লোয়ননা মালেম লৈশেম্বা লোইরবগী ঈশৈ শকখি অদুবু লৈথক লৈখারোলদা ইরিবগী মতুং ইন্নদি নোংখাংলৈমগা হারাবগা অহানবা থেংনবমক্তদা পাউশানরিঙৈদা অতিয়া শিদবনা লৈবাক শেম্বা লোইশিনখি। মতাং অসিবু অসুম্না শৈথারি, "...হায়না পাউরৌননা ঙাংনরিঙৈদা অতিয়া শিদবনসু লৈবাক শেম্বা লোইহৌরে। কাচিল চিথেক মরিমক্তা চূকশেং লেংদনবা থারে। চূপকী মমিংদি লিক্লম মাইকৈদা উরৈপালনে, মীৎলম মাইকৈদা উরেংবনে, মৈরম মাইকৈদা উশিংবনে, লাইচী অৱাং চিথেক মাইকৈ লমদা ৱারৈপালনে। কারল ময়াইদা অশিবনা ঙানতুরেং হায়বা কৌনা লেং চূপলেন ওইনা য়ুংলে, অতিয়া শিদবনা উয়ুং মথক্তা কাপ্তু হুই ওইনা লেংদুনা থমঙৈগী মমিংদি-লৈতুরেঙ নোং তরেংবা হায়না কৌয়ে। তুনা ফাওনা লেংলে অদুগা অমুরক নোংমাই মরী ওনবা চাওর মপান্থিবা অনিমক্না পরিং অমুরক থাহৌরে। লৈশাতাওনা নোংচুপ লম ঙাকয়ে। নোংশাতাওনা খা লম ঙাকয়ে। লৈখোমতাওনা নোংপোক লম ঙাকয়ে। অখোমতাওনা অৱাং লম ঙাকয়ে। মখোয় তরানিথোইমক্না পুন্না ঙাকয়ে। অসুম পুন্না ঙাক্না থল্লবদা অতিয়া শিদবনা হায়য়ে- হে হারাবা-ও হৌজিক্তি অমুক নহাক্না অঙম্বা তৌবা ঙম্বা মখৈ তৌ-ও হায়রবদা, হারাবা নুংশিৎনা খুময়ে- হৌজক্তি এনা করি তৌবা ঙল্লরোয়ে হায়না খুম্লে"।

মতৌ অসুম্না মালেম লৈশেম্লোনগী ওইবা ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা মিথশিং অসিগী মতুং ইন্না মৈতৈগী লাইচৎলোন্দা নোংথাং লৈমনা ফিদা অমা কন্দুনা থল্লি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি। মালেম লৈশেম্বগী থবক্তা হন্না হন্না য়ৈখাই থিনগাইবা পীরিবা হারাববু নুংশিৎকা চাংদম্নরি। লাই কনানসু হারাবগী অশাউববু থিংবা ঙমদ্রবদা গুরুনা নোংথাংলৈমা পুথোক্তুনা থেমহনখিবা অসিমক অৱাংবা ফিলোজোফিনি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা নুপীগী তৌবা ঙম্বা মতিক মঙান অদু ফোঙদোকপনি হায়না লৌবা য়াই। মদুগা লোয়ননা পীথোরকপা মতীক মঙান অদু অচুম্বা থবক্তা শীজিন্নবা পাউজেল য়াওরি।

# পার্থ সারথি দাসকী 'শ্রীশ্রী মদনমোহন জীউ' # ১

- কৃষ্ণচন্দ্র দাস -

*ৱামাঙ য়ানবা :*

হৌজিক মালেমদা ইন্দিয়ান হিন্দুগী ওইনা লৈরিবা বেদগী লাইনীং কাঙলোন অমসুং লাইনীং লীক্লম অসি গুরু ঙমথং পরেং (প্রণালিকা) কায়দনা মখল অনী থোক্না লৈ। বেদান্তগী অদ্বৈতবাদ হায়বা অমা অদুগা অতোপ্পা অমদুনা ভক্তি বেদান্তগী চৈতন্য দর্শনশাস্ত্র অচিন্ত্য ভেদাভেদ তত্ত্ব হায়বা অমা। অকোনবা ভক্তি বেদান্তগী ধর্মগী মমিংনা গৌড়ীয়া বৈষ্ণব ধর্ম হায়দুনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা মসিগী লাইনীংকোন মসা (আশ্রম, ইস্কোন সেন্তর) মশীং লীশীং অমা হেন্না লৈরি। ধর্ম অসিগী লাইনীং লীক্লম লম্বীসু লম্লোঙ অনী ফাঙঙী- নবধা ভক্তিগী বৈধি ভক্তি হায়বা অমা অদুগা রাগাত্মিকা ভক্তিগী রাগানুগা ভক্তি হায়বা অমা। মালেম পুম্বগী ধর্মগী লীঙলুপ অমা ওইরিবা ইস্কোননা চৎলিবা ভক্তিদি বৈধি ভক্তিনি অদুগা মণিপুরগী গৌড়ীয়া বৈষ্ণব ফুরুপ অসিনা চৎলিবনা রাগানুগা ভক্তিনি। হৌজিক, ভক্তি বেদান্তগী পাউদম ৱারোল মতেক অমখক পীজরুবগী মরমদি লাইরিক অসিগী মিংথোল ওইরিবা 'মদনমোহন' অদুগা লাইরিক অসিমক্কী মখা থাবা মিংথোল (সবটাইটল) অমা ওইরিবা 'শ্রীকৃষ্ণগী ত্রিভঙ্গরূপ্তা মণিপুরগী বৈষ্ণব বৈষ্ণবীশিংনা চেৎনা থাজনা থল্লিবা প্রেম ভক্তি' হায়বসিদা য়াওরিবা 'ত্রিভঙ্গ' শক্তাক্লোন লৈবা ৱাহৈ অনীমক ভক্তি বেদান্তগী রাগানুগা ভক্তিগা খোয়রী তিন্নবা মশেলনি অদুগা অমুকসু মণিপুরগী গৌড়ীয়া বৈষ্ণব ফুরুপসিগী লাইনীং লীক্লম ওইরিবা অসিগসু অমত্তনি হায়বা ৱারু-ৱাপী অসি থমজনীংবদগীনি। মদনমোহন, ত্রিভঙ্গ মশক খঙনবা মার খোঙ্গুল লীরকপদা ভক্তি বেদান্তগী য়োইরেন, হঞ্জবা (মহাপণ্ডিত), চীঙঙু মায়চৌ (সিধসদগুরু) গোস্বামী অমনা ইবা লাইরিক্তা মদনমোহনগী মরমদদি অসিগী ৱাথূপকী ৱাফোঙ ৱারোল লাতমদুনা লৈরম্লে অদুবু ত্রিভঙ্গগী মতাংদদি ভক্তি বেদান্তগী লৈরিবা শাস্ত্র লাইরিক মখৈগী লাইরিক অমত্তদসু মসিগী শাথেক অহুমগী শাথূপ শাফোঙবিরমদ্রে। অদুদি, হৌজিক করি গতি লৈরি। ত্রিভঙ্গগী শাথেক অহুম মশক খঙদনা অসুম তোক্লগদ্রা ? করিগী তোকচরুগদগে, য়োইরেন খোর্জেনা খূৎ মানবা শাস্ত্র লাইরিক্কী লীক্লম লীখুন লৈরি। হোয়, অদুঙৈ ইপু চীঙঙু মায়চৌশিংগী সনা খোর্জেদগী ত্রিভঙ্গগী খোইথুম্নরবা য়াবা মপাউ তাজনীংবা খঙজনীংবা অদুমদি তাইবঙপান জগৎসিগী মপুন্সি খোয়রেন লাংহৈ চহী কুমশীং কল্পসিগী জোনোং কয়াদসু খক ওইথোক্লরোই। অদুমকপু, হৌজিক্কী মীরোল মতমগী মী নমু পোং অচঙবা মহৈরেন মশু মনাই ওইবা ঐখোয়না ত্রিভঙ্গাগ খোয়রী তিন্নবা শাস্ত্র লাইরিক্কী লমায়দা লাতম্লিবা লারৈ-লাথূপ, লীক্লম লীখুন অদু য়োইরেনগী (পণ্ডিতকী) ফিদাদা ফম্লগা (য়োইরেনগী ফিদাদা ফম্বা ঙমদনদি ওইথোক্লোই) য়াইরেন লৈখোনগী (পণ্ডিত্বগী ) লাইশুনা খোর্জে খুৎলী শূরগা ত্রিভঙ্গগী অওইবা, অশেংবা, অচুম্বা, মশক অমখক তরং তরং পাদম লাকপা ওইথোকই, মসিমক ৱারেংজরিবা খোর্জেরোয়গী য়োইরেন খোর্জেনা শংশং পাদম লাকচৈ।

*অইবগী মদনমোহন:* ধর্মশাস্ত্র লাইনীং লাইরিক্কী লমায়দা লাতম্লিবা শক্তাক্লোন লৈবা (পরিভাষিক শব্দ, টেকনিকেল টর্ম) মদু মহৌশানা শক্লোন পুবা ৱাহৈ ওইরকই হায়বদি তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক্কী, ৱাফোঙ ৱারোল লৈবা মমায় লোঙবা ৱাহৈ ওইরকই। মসিগী মরমদি অতৈ অমনা নত্তে, ধর্মশাস্ত্র লাইরিক্কী ৱাথূপ ৱাফোঙলোয় (শাস্ত্র টীকাকার) চীঙঙু মায়চৌশিংনা মখোয় মখোয়গী লাইনীং কাঙলোন অমসুং লাইনীং লীক্লমগী পরিং খুদুংইন্না অদুগুম্লবা শক্তাক্লোন লৈবা / মশক নাইবা ৱাহৈশিং অদু মখোয় মখোয়গী পাইমা ৱাখল লৌশিংনা তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক পীনরকপদগীনি। খুদম ওইনা , গীতাগী 'ভক্ত্যামামভিজানাতি', ভক্তিনা ঐবু খঙঙী হায়বসিদা অদ্বৈত বেদান্তগী কোক্কী লাইনীং রস পক্তবা যোগনা ভক্তিদি শ্রীকৃষ্ণগী মিতমদা পূক্নীং লৈতানা চেৎনা নীংবা পরাভক্তিদগী হেনবা অমা লৈত্রে। অমরোমদা অমুক, ভক্তি বেদান্তগী থমোয়গী লাইনীং রাগ রসকী ঈতিনফম ভক্তিনা বৈধি ভক্তিদগী হেনবা, রাগানুগা ভক্তিদগী হেনবা অতৈ অমা লৈত্রে অসিনি। অসুম্না, তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক্কী মশক নাইবা ৱাহৈ কয়া গীতাগী, অতৈ ধর্মশাস্ত্র কয়াগী লাইরিক লৈরি। মান্নদবা, খেন্নবা ৱাহন্থোক পূন্নমক মাগী মাগী মকাদা অচুম্বা ঙাক্তনি। অচুম্বদি মমায় লোঙঙী, মসিমক শক্তাক্লোন লৈবা মদনমোহনগী মকাদসু শরুক থুংলরে।

অইবা খোর্জেরোয় য়োইরেন প্রভুনা মাগী লাইরিকসিগী মঙাশুবা সর্গ পন্দুপ্তা শ্রীকৃষ্ণবু মদনমোহন অদুগা রাধাবুনা মদনমোহন মোহন হায়না মমিং কৌখিবগী থৌদোক অমগী ৱারী অমখক লৌখত্তুনা মচা তানা লীরকই। মচংতমক লৌখৎচরগা শম্না পাউদমজরবদা রাস মণ্ডল ময়ায়দা শ্রীকৃষ্ণগা গোপীশিংগা রাস শান্নরিবদু কামদেব য়াওনা লাইয়ামশিংনা মীৎয়েং শাঙ্গৈরি। কামদেবনা রাস থুগাইরগে খন্দুনা কৃষ্ণদা, গোপীশিংদা মাগী কামগী তেন কাপ্লক্লে। কৃষ্ণদা মাগী কামগী ইহুল রাগ কাঙলক্লবনি। মসিগা চপ মান্নবা মহৈ গোপীশিংদসু ফংহন্নবনি। কামদেব মায়থিরে, মাগী হোৎনবা পূম্বা অরেম্বা তারে। হৌজিক মহাক খঙলে-কামগী মপু মহাক্নি খল্লুবা মহাক ওইরমদ্রে, তাইবঙপান জগৎকী মবুংঙো শ্রীকৃষ্ণ ওইরম্লে। মহাক্না লঙজখিবা মরাল ঙাকপিয়ু হায়দুনা কৃষ্ণগী মাঙদা মখোঙ-মখুৎ শাংদ্রোং শাংনা তিংথোক্তুনা লৈমায়দা খন্ত্রাংননা উপ্তুনা কোনয়াং মানা লৈমায়দা শাংনা শন্না তাবগুম শমু হকচাং কায়াৎ মফম নিপান শোক্না খুরুম্লক্লে, অষ্টাঙ্গ দণ্ডবৎ কৎলক্লে। থৌওং অসি উবদা লাইয়াম্না কৃষ্ণবু 'মদনমোহন শ্রীকৃষ্ণগী জয়' হায়দুনা জয় ধ্বনি লাউখি। চৈরকসিদা বিশাখা সখীনা রসরাজ শ্রীকৃষ্ণগী জয় ধ্বনি খক্তা লাউরগা তোকপা য়াদে, গোপী মখোয়গীসু লুচিংবী রাসেশ্বরী রাধিকা লৈরি, মবেম্মগীসু জয় ধ্বনি লাউগদবনি হায়রকপদগী লাইয়াম্না রাধাবু 'মদনমোহন মোহনগী জয়' হায়না জয় ধ্বনি লাউখি। অসুম্না, লাইয়াম্না শ্রীকৃষ্ণবু মদনমোহন অদুগা রাধাবুনা মদনমোহন মোহন হায়না মমিং থোনখি। মদন হায়বদি কামবু মোহন শুক্ষৎপা, মায়থীবা পীবা ঙম্বা, জয় তৌবা ঙম্বা হায়বনি মদনমোহন। থৌদোক ৱারীসিগী য়ুখল মরুমদা খঙগদবা পারা অমখক লারৈ-লাথূপ, ৱাথূপ ওইনা লৈরিবদি অসিনি-লাইরমলেনগী ৱাদি থমখিসি, তাইবঙ মীরমলেন্দা মীগী শক্তম লৌদুনা লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণদা, গোপীশিংদা মখোয়না শান্নবা রাস লীলাদা তাইবঙ মায়া কামগী অপাম্বগী মফম চন্নফম লৈতে। অসিগুম্বা মখলগী রাসতি য়াইবীরেন লমদমগী শেংলবা লূরবা মক্ত্রবা থমোয় থমোয় শৌদোক্লবদগী চেন্থরকপা লিক্লাইগুম লূরবা য়াই মহী প্রেম রস অদুনি।

*মদনমোহনগী অশেংবা মশক :* মদনমোহন ৱাহৈ অনী অসিগী হৌরকফম মরী মখোঙ তাকপা ৱারোল তোখাইনা শাস্ত্র লাইরিক্কী লৈরি। হোয়, শ্রীকৃষ্ণগী লৈরিবা মিংলেন পরেং অসিদি মাগী পুন্সি খোঙচত্তা থেংনখিবা থৌদোক-ৱাথোক মদুদা মাগী লাইগী ওইবা তৌঙম্বা মতীং, দিব্য শক্তি ফোঙদোকপা উথোকপগা মরী লৈননা থোনবা মিংথোল কাঙলোন (নোমেনক্লেচর) অদুগী মনুং চনবা অমনি মদনমোহন। খুদম ওইনা, দামোদর, মাধব, গোবিন্দ অসিনচিংবা। অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি শ্রীকৃষ্ণবু কোন্না মদনমোহন হায়না মমিং থোল্লবগী ৱাদনি, মসিদি (মদনমোহনদি) রাধাগী হান্না মপোৎ-মরল ওইদুনা লাক্লবনি। রাধাগী খোইথুম্নরবা নুংশিবা মধুর প্রেম অদুগী অয়ৌবী মতোন লোম্লবা পুমথোই থোইরবা নুংশিবা অদুগী অনী লোঙবা শক্লোন্নি মাদন অমসুং মোহন, মাদনমোহন।

স্থায়ি ভাবতা মধুর রতিগী থাক নাইনা মথং মথং নুংশিবা চাং হেনগৎলকপগী পরিংইন্না মসিগী মখল লৈরোন নাইনা লারোন নিপানখক লৈ, মখোয় অদুদি- রতি, প্রেম, স্নেহ, মান, প্রণয়, রাগ, অনুরাগ অমদি মহাভাব। মহাভাবতগী পুমখম খন্নবা মাধুর্য্য প্রেম রস মাদনমোহন মদুগী য়াইবীরেনগী নুংঙাইবা আনন্দ ফংবদা মতোন লোম্লে। মহাভাব অসি রাধাগী হীকুবী-য়াইকুবী অমা ওইবতা নত্তনা গোপীশিংগীসু ললকুবী অমনি। তৌবতদি প্রেম রসকী খেন্নবা মওং, গুণ লৈ। মহাভাবকী থাক য়ৌনা ব্রজ গোপীশিংদা লৈরিবসি মথুরাগী, দ্বারকাগী লৈমশিংদা লৈতে। অদুনা মখোয়না (লৈমশিংনা) বৃন্দাবনগী গোপীশিংবু য়াম্না কল্লকচৈ।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মীতৈ/মৈতৈনা এস.টি. লিষ্টতা চনবগী ফল লাওথোকপিবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

মীতৈ/মৈতৈনা এস.টি. লিষ্টতা চন্নবগী পরিক্ষা থাবা য়ানবগী এপ্লিকেসন ফোর্ম ফীল অপ তৌদ্রিঙৈদা অফাওবা শাবা মরুওইনা হান্না মণিপুরগী এস.টি লিষ্টতা চন্দুনা লৈরবা কাংলুপকী মীওইশিংনা পরিক্ষাগী ফোর্ম পীশিনবা য়ানি-য়ারোই, ফেল ওইনি ওইরোই, পরিক্ষাগী ফল ফাওবা লাওথোকপিবা মতাং য়ৌরকপসি উবদা হাইনিংঙাই লৈতনা ঙক্তবা ঙমদ্রে। মুন্না য়েংলগদি লক্লরিবরা নত্রগা খৎনবা হৌরিবরা নত্রগা মীচং খোল্লিবরা নত্রগা কিহল্লিবরা ভাব তাদে। এদমিড কার্ড ফংবসু নত্তবা মতমসিদা তৌরিবা মওং অসিবু থিংনবা ইনশিল্লবরা নত্রগা খঙজিন্নদ্রিবরা হায়বসু ইমান মালহনবা ঙল্লি।

জুরিসদিক্সন হায়বা ৱাহৈ অসি খঙজিনবা ফৈ হায়নিংই। মথৌ নত্তবদা মথৌ শাবা, শেলসু ফংলোইদবদা এগজামিনর ওইবিরক্কনু হায়জনিংই। মসিদি নেস্নেল কম্মিসন ফোর সেদ্যুলদ ট্রাইবনা লেপচগদবনি। নেস্নেল পীপলস পার্টি (এন.পী.পী) না ষ্টেট এসেমব্লী ইলেক্সন মমাংদা ফোংখিবা মখোয়গী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা মীতৈ/মৈতৈ এস.টি.গী লিষ্টতা চনবা য়াই হায়বা ৱাফম পনখিবা/থমখিবা অমত্তা ঙায়রবা পার্টিনি। মণিপুরগী/মখোয়গী পার্টিগী কেবিনেট মন্ত্রি মরিগী মনুংদা অনিদি চীংগীনি। অমুক্কসু মরুওইনা ট্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হীলসকি ফমসু পায়বা ওইরি। ইকায়খুম্নজরিবা কেবিনেট মন্ত্রি মরিনদি করি ফিরেপ লৌবা তাবগে ?

মীতৈ/মৈতৈ এস.টি. গী লিষ্টতা চনবদা কোনগদৌরিবা সেদ্যুল লমদু তম্পাক লমখক্তগী ওইবনা অতৈ লম লৌশিল্লকনি হায়বসি আর্থ থোক্ত্রবা ৱাফম্নি হায়বসিদা করিসু কিফম থোক্তে। মরম অসিনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১ সিগী মখাদা লৈবা হীল এরিয়া কম্মীটিগী মত লৌবা মথৌ করিসু তাদে হায়বসিসু মশানা তাজরবা ৱাফম্নি।

ঐখোয়গী ঙসি চহি লিশিং ২০০০ গী অৱাংবা পুৱারী ইগোগী মরুমদা লৈরিবা চরা অনি শুনা চাবা ফংদ্রবা কাংবুগী মরক্তা য়াওরিবা য়াইতোং খমদোংবা খরদুনা পীরিবা শাফু কয়াগী লাংদগী নান্থোক্লবা অমত্তা ঙায়রবা ঙাক্লৌ অসিগীদমক হনবা লৈতনা হোৎনবা মীওই মশিং নোংম- নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলকখিগনি হায়বসি অচেৎপা থাজজবনি। অমরোমদা ঐখোয়গী লম ঙাকচবগী অমসুং লাইরিক লাইশু তম্বদা ফংলগদবা ষ্টাইপেন্দ/স্কোলারসিপ অমসুং অতৈ অতৈ খুদোংচাবা কয়াগী মতেং ফংজনবা হোৎনবদুনি। মসি হিংবা-শিবগী অমত্তা ঙায়রবা য়াম্না চাওবা উপায় অমনি। মসিবু য়ানিংদবা কাংবুশিংনা এস.টি. গী সার্টিফিকেট অদু তানবিরুদ্রগা/লৌবিরুদ্রগা অদুম হান্নগী ফমফম জেনরেলবু হায়রো, ও.বি.সি বু হায়রো অপাম্বা মফমদুদা লৈবিহৌবদা করিসু কাইরোইদ্রা খঞ্জে।

থবক চংবগী লম্বীদা লৈগদবা এক্সিষ্টিং ক্বোতা অদুসু অদুম লেংহনদনা থম্বা য়ানবা লম্বী শেমদোকপসু য়াম্না লুগনি থাজজদে।

পুন্নমক অসি য়েংলগা অতোপ্পা অপাম্বা মীওইশিংনা এস.টি লিষ্টতা চঞ্জনবা পমিক্ষাগী ফোর্ম থজিনবদা, এদমিড কার্ট ফংজবদা, পরিক্ষা ফমজবদা লান্না উবিগনু, কল্লকপা পোকপিগনু, করেম্নবিগনু অমসুং মতুংদা য়ৈখাই থিনগাইবা পিবিগনু।

লোয়ননা পুন্না নুশি চান্নমা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা হু কামশিনবিগনু হায়না হায়জরি।

*অদোমগী - থোকচোম গোপিমোহন*
*নেসনল এৱার্দি ১৯৮৬, কৈশামথোং*

## মরোল থোকপা লাই




*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*